# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ইম্ফালগী জেনিমসতা নৌনা শেমগৎখিবা দাইলাইসিস য়ুনিত অমা ঙরাং শঙ্গাখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথখদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা লেপত্রি।

অমসুং

৩) শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- লাক্লিবা চহি ২৫ অসিদা লৈবাক অসিবু ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা ফাইনান্স কম্মিসন্না তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলি।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ইম্ফালগী জেনিমসতা নৌনা শেমগৎখিবা দাইলাইসিস য়ুনিত অমা ঙরাং শঙ্গাখ্রে। অনৌবা য়ুনিত অসি প্রধান মন্ত্রি নেসনেল দাইলাইসিস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল হেলথ মিসনগী মখাদা ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মণিপুরনা লিংখৎখিবনি। য়ুনিত অসিদা হেমোদাইলাইসিস মেছিন ১০ য়াওরি। মসিনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা দাইলাইসিসকী খুদোংচাবশিং ফংহল্লগনি।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যারগী কম্মিসনার কম সেক্রেটরি সুমন্ট সিংহসু শরুক য়াখি।

তুংদা, রাজ্যপালনা হোস্পিতাল অসিগী তোঙান তোঙানবা ৱার্দশিংদা চত্তুনা ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নখি। মহাকা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগসু মীফম পাঙথোক্তুনা হোস্পিতাল অসিগী অৱাৎ অপা কয়াগী মতাংদা খন্নখি। মীফম অদুদা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগী মাইকৈদগী মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা রাজপালদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা খঙহন্নখি।

ববিনা (এল)ঃ রাজ্য অসিদা অহানবা ওইনা পেক্টস এস্কাভেটমগী সরজরি ববিনা হোস্পিতালদা মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। সরজরি অদু হোস্পিতাল অসিগী কন্সলটেন্ট সি.টি.ভি.এস সার্জন্ট ডাঃ সিধার্থা লুক্রামগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি। হোস্পিতাল অসিনা কমপ্লেক্স ভাস্কুলর সরজরি মখল কয়াসু পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্খদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা লেপত্রি।

পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী শুগনু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোলতিনচান ভিলেজদা থি হুন্বগী থবক চখ্খবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা লোকেল মেদ পোম্পী অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সি.এম.জি করবাইন অমা, আই.ই.দি বোম অহুম অমদি নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পুখাউ শাম্পিুরদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চখ্খবদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, ইম্প্রোভাইস প্রোজেক্টাইল লোঞ্চর অমা, লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু খরা অমসুং বি.পি. জেকেটনচিংবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

কাংপোকপী জিলাগী কে. লংনোম অমসুং খেংজাং খুলশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্খবদা পোম্পী গন ১৮, প্রোজেক্টাইল লোঞ্চর অমগা লোয়নন হাই এক্সপ্লোসিভ রোকেট অমা ফাগৎপা ঙমখি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়- ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল চিঙাংবম লৈকাইদা অরাম্বাই তেঙ্গোলগা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী মীওই খরগা খৎনা চৈনবগী থৌদোক্তা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী মীওই মরি শোক্লে হায়রি।

মরক অসিদা, থৌবাল জিলাগী খোংজোম চিংথাম ময়াই লৈকাইদগী পি.এল.এগী কাদরনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং ফারে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাদা সোসিয়েল মিদিয়াদা পাউ লান্না শন্দোক্তুনা মীয়ামদা অকি অখঙ পোকহনবা তোঙান তোঙানবা ৱাটসএপপ গ্রুপ অমদি চেন্নেল ৬ কী মথক্তা এফ.আই.আর পানখ্রে। অসিগুম্বা শেমজিন শাজিনবা অমদি মীয়াম মরক্তা ইরাং থোকহনবা য়াবা পাউ শন্দোকপদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়না পুলিসনা খঙহল্লি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা এক্স সার্ভিসমেন রেল্লি অমা ঙরাং উখ্রুল জিলাগী সোমসাই গেরিজনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এক্স সার্ভিসমেনশিং, বির নারিশিং অমদি মখোয়গী ইমং মনুংগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

মীফম (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতি (দিসা)গী মীফম ঙরাং লোক সভা সদস্য ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিনবনি।

থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোগ্রামশিং পি.এম-পোসন, পি.এম.জি.এস.ৱাই, পি.এম.এ.ৱাই-জি, এম.জি.এন.আর.ই.জি.এস, স্মার্ট সিতি মিসন্নচিংবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

ঈশিং (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ইনভাইরোমেন্টেল সাইন্স দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা সসটেনেবল ৱাটর রিছোর্স মেনেজমেন্ট-ইশুজ চেল্লেঞ্জেস এন্দ সোলুসন

হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা জাতি থাক্কী সেমিনার অমদি ৱার্ল্ড ৱাটর ডেগী পালন থৌরম ঙরাং মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র য়াওনা শকারবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ব্লড (এল)ঃ রেফ্রিজ এলেভেন মণিপুরনা শিন্দুনা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৪০ রোম ঈ দান তৌখি।

সিতারমন ঃ শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- লাক্লিবা চহি ২৫ অসিদা লৈবাক অসিবু মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লমদম ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা ফাইনান্স কম্মিসন্না তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলি। চেন্নাইদা চেন্নাই সিতিজন ফোরমগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা কয়াদগীসু ঙাকথোকবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিনা মপান লৈবাকশিংদগী লাকপা শিংনবশিংসু থেংননবা শেম শাদুনা লৈ।

মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী ইন্তর্নসিপ প্রোগ্রামনা শিংনবা কয়া মায়োকনবা নহাশিংবু ত্রেনিং পীরগনি। লৌউ শিংউগী লমদা অহোংবা কয়া পুরকপগী তঙাইফদবা লৈ। এস্পিরেসনেল জিলা ১১২ দা হেন্না চাউখৎনবগী খুদোংচাবশিং পীরে। প্রধান মন্ত্রিগী ৱাখল্লোনগী মতুংইন্না শোত্থনা লৈরবা জিলা ১০৯ দা লৌউ শিংউগী পোত্থোকশিং হেন্না পুথোকহন্নবা পান্দম থল্লি। মন্ত্রিনা হায়- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, সাইন্স অমসুং ইনোভেসনদসু হেন্না মরুওইবা মীৎয়েং থল্লি।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিয়েল টি-ট্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা কে.সি.সি কোংবনা এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংবু রন ৩১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা ৱাই.সি.সি ৱাংখৈবু রন ৪৬ তা থোইখি।

ককচিং (এল)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ককচিংনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চথুগদবা অসমিতা সিতি ৱিমেন্স বেদমিন্টন অমসুং বুসু লিগ ২০২৪-২৫ ঙরাংদগী ককচিংগী দি.ৱাই.এ.এস.ও কমপ্লেক্সকী ইন্দোর হোলদা হৌখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সুপ্রিম কোর্টকী দেলিগেসন টিম থুংলরে, রিলিফ কেম্পশিং য়েংশিনখ্রে, মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লি, কুকি অমদি মীতৈগী মরক্তা ৱারী শাবা হৌরে হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফমদা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ৬ ইম্ফালদা থুংলরে, জজ মরি চুরাচন্দপুর চৎলুরে, আই.দি.পিশিং উন্নখ্রে হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা লানগী চৈথেং নংলবশিংগী য়েংলগা স্পেসিয়েল পেকেজ পীনবা গভর্নমেন্টতা খঙহল্লগনি হায়না জষ্টিস বি.আর. গভাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি মোর্নিং বেল, শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক, ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেল, সনালৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকল অমদি হুইয়েন লানপাউনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা মণিপুর শান্তি ওই, কুকি অমসুং মীতৈ ৱারী শাবা হৌরে হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদনা মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লি, কুকি অমদি মীতৈগী মরক্তা ৱারী শাবা হৌরে হায়না অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা হৌখিবা মতমগী খনদুনা হিংলগুমশি, তুংদা ওইরক্কদবশিংগী মতাংদা খল্লশি হায়না জষ্টিস কোতিশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ফিভম অসিদা দিলিমিতেসন প্রোসেস পাঙথোকপা য়ারোই- ফোক্স হায়বা পাউ অমা ঈচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মখোঙদগী হৌনা নিংথিনা য়েংশিনদুনা থবক পায়খৎলবদি চাওখৎ লমজেলদা মাংজিল থাগনি- এম.পি. বিমোল হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনাৈলেবাক্তা জজশিংদি মণিপুরদা চৎখ্রে, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদি কৈদৌঙে চৎকদোরি হায়না কংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেশনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সি.এ.য়ু অমদি জেনিমসতা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অনিসুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা ইন্তরনেল্লি দিস্পেপলেস ফেমিলি ৩০ লিষ্টতগী ককথৎপীরে মখোয়গী ফংফম থোকপশিং ফংদ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা মণিপুরগী অৱাবা তাঙ্কক অথুবদা লোশিল্লক্লগনি হায়না জষ্টিস গভাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা চুরাচান্দপুরদা ৱাটসএপপ গ্রুপ অমদি চেন্নেল ৬ কী মথক্তা পুলিসনা কেস লৌখৎলে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------